# থৌবাল অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা তোঙান তোঙানবা মফমদা থিবা হুন্বগী থবক চখ্খ্রে




ইম্ফাল, আগষ্ট ১০ (এস এন এস )ঃ

লাক্লিবা শগোলশেল নুমিত্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিপেন্দেন্স দে থৌরমগী মাঙওইননা থৌবাল অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমদা থিবা হুন্বগী থবক চখ্বগা লোয়ননা মীওই কয়া অমমমতা ওইনা ভেরিফিকেসন তৌখ্রে।

এস পি থৌবাল ডা. এস ইবোমচাগী মীৎয়েং মখাদা কম্মান্দো দি এস পি খেলেন্না লুচিংবা য়াইরিপোক পি এসকী ও সি ইন্সপেক্টর রিয়াজউদ্দিন সহা অমদি নুপী পুলিস য়াওবা টিম অমনা ঙসি য়াইরিপোক কৈথেলদা খুদক্কী ওইনা থিবা হুন্বগী থবক চখ্খ্রে। নুংথিল পুং ৪.১৫ গী অদুৱাইদা য়াইরিপোক কৈথেলদা লৈরম্বা নুপা ১৮০ অমসুং নুপী ৩৫ ভেরিফিকেসন তৌখি। অদুবু মীফা মীপুনদি লৈখিদে হায়রি।

এস পি ককচিং ভিক্টোরিয়া য়েংখোমগী মীৎয়েং মখাদা কম্মান্দো ও সি ককচিং এন টিকেন্দ্রজিৎনা লুচিংবা টিম অমসু ঙসি নুংথিল ককচিং তুরেল ৱাংমা উয়োক চীংয়া এরিয়া কোয়শিন্দুনা চিংনবা মীওইশিং অমমমতা ওইনা মশক মমিং খঙদোকখ্রে হায়রি।

থা অসিগী ১৫ লাক্লিবা থাংজ নুমিত্তা পাঙথোক্কদৌরিবা লৈবাক অসিগী ৭৩ শুবা নীংতম নুমিৎ থৌরমগী মাঙওইননা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোক্তনবগীদমক তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা মফম কয়াদা থিবা হুন্বগী থবক চখ্দুনা লাকখিবনি।

## দব্লিউ ৱাই টেব্লেৎ লিশিং ৪৮ গা কোন্না মীওই অমা ফারে

থৌবাল, আগষ্ট ১০ (এস এন এস )ঃ

দি এস পি (কম্মান্দো) থৌবাল ও ৱাংখোম্বগী কম্মান্দ মখাদা থৌবাল পুলিস কম্মান্দো য়ুনিটকী ও সি ইন্সপেক্টর এন সদানন্দনা লুচিংবা নুপী পুলিস য়াওবা টিম অমনা ঙসি নুংথিল মীওই অমা দব্লিউ ৱাই টেব্লেৎ লিশিং ৪৮ গা কোন্ননা ফারে। অদুগা দ্রগ সপ্লাইয়রনি হায়বা অমদি নাম্বোকখ্রে।

পাউ অসিনা হায়, দ্রগ সপ্লাইয়রনি হায়বা ময়াংময়ুম অল্লাউদ্দিন (৩৯) অপোকপা লৈখিদ্রবা অনামুদ্দিন দব্লিউ ৱাই টেব্লেৎ লিশিং ৪৮ কোন্ননা শঙ্গাইয়ুম্ফম করানচিদগী ফাখি। অদুগা মহাক্কা লোয়নবনি হায়বা অতোপ্পা দ্রগ সপ্লাইয়র মুজিবুর এলাইজ মুজি (৩৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা কালা সঙ্গাইয়ুম্ফম করানচিদি মফম অদুদগী নাম্বোকখি। মহাকপু ফানবা পাক শন্না থিবগী থবক চখৈরি।

অল্লাউদ্দিনদগী ফংলিবা দব্লিউ ৱাই টেব্লেৎ অদু চাউরাক্কা কেজি ৪.৮ রোমগী ওইগনি। অদুগা ইন্টরনেস্নেল মার্কেটতা লুপা ক্রোর ১.৪ রোমগী ভেল্যু ওইগনি হায়রি। মখোয়না দ্রগ অদু পুথোক পুশিন তৌবদা শীজিন্নবনি হায়বা অঙৌবা মচুগী মারুতি অল্টো কার রেজিষ্ট্রেসন নম্বর এম এন ০৫এ-৩১২৬ সু ফংলে। ফারবা অল্লাউদ্দিন অমসুং ফংলিবা টেব্লেৎশিং অদুগা কোন্ননা মখা তাবা লিগেল এক্সন লৌখৎনবগীদমক থৌবাল পুলিস ষ্টেসন্দা শিন্নখ্রে হায়নসু পাউ অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# ইদুল-অজহাগী য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি

ইম্ফাল, আগষ্ট ১০ (এস এন এস )ঃ

ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংগী কখোকপগী কুম্মৈ ইদুল-অজহা থা অসিগী ১২ নিংথৌকাবা নুমিত্তা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা মণিপুরগী মীয়ামদা মরু ওইনা মুস্লিম কম্যুনিটিদা য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি।

সি এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা পীবা পাউজেলদা হায়, কুম্মৈ অসিনা ঈশ্বরবু থাজবগী পাঙ্গল হেন্না পীবিদুনা ঐখোয় পুম্নমক্কী অচেৎপা নুংশি চান্নবা, নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন অমসুং অমত্তা ওইবগী থৌনা অদু হাপ্পা ওইরসনু।

সি পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনসু মুসলমান মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

ষ্টেট সেক্রেটরী এল সোতিনকুমারনা থাদোরকপা পাউজেলদা হায়, মালেমদা লৈরিবা মুসলমান নুপাশিং ইদিগাদা চত্নুনা নমাজ শোনবা, মপু অল্লাহগী মফমদা দুৱা তৌদুনা পুম্নমক অফবা ওইহনবিয়ু হায়না নিজবা, য়ুমথোঙ খূদিংদা অমগা অমগা চামিন থকমিন্নবগী অৱা নুংঙাই ফোঙদোক্নবগী নুংঙাইরবা কুম্মৈনি।

নুপী ওইবীশিংনা ঙমজবা অথুম অহাও পুরগা মপামদা চত্নুনা মমা মপা মচিন মনাও ওইবশিংদা চামিন থমিন্নবগী নুংঙাইরবা নুমিৎ অমসুনি। লমদম অসিদা হৌখিবা মতমদা অৱা অনা লৈখ্রবসু তংদু লৈতাবা হাৎন-শুনবা লৈতবা পুম্নমক নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা অফবা লমদম অমা ওইরসনু হায়নসু পাউজেল পীরি।

মণিপুর নেস্নেল দিমোক্রেটিক ফ্রন্টনসু মণিপুরদা খুন্দারিবা মৈতে পাঙলশিংগী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীরি। ফ্রন্ট অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী সৈখ মুফিজুদ্দিন না পীবা পাউজেলদা হায়, থৌরম অসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক্তি তাইবঙ শেম্বা মপু অল্লাহগা ঐখোয় মীওইবগা লৈনরিবা কখোক্লবগী লিচৎ অদু মশক তাকপগা লোয়ননা শেম্বিবা মপুগী মফমদা তৌবিমল খঙবা উৎপা অমদি থৌনিজবনি।

ইব্রাহিম্না অমত্তা পোকচবা ইস্মাইলবু অল্লাহগীদমক কুরবানি তৌনবা থৌরাংলকপা মহাক্কী থম্মোয় শেংনা কখোকপগী পুকচেলবু পেনবিরদুনা মচানুপাগী মহুত্তা দুম্বানা মহুৎ শিলহনখি। থৌদোক অদুবু নীংশিংদুনা ঙসি ফাওবা কুরবানিগী মতিক মগুণবু ইদুল অজহা হায়না পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি। অসিগুম্বা কখোকপা অমদি মীনুংশিগী ইচেলগা লোয়ননা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ইরৈচা খূদিংমক অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নদুনা ইং তপ্পা শান্তিগী লমদম ওইরসনু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভলপমেন্ট পার্টি (এন ই আই দি পি) মণিপুর ষ্টেট নসু লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ইদুল অজাহাগী থৌরমগী মাঙওইননা মীয়ামদা মরুওইনা ইস্লাম লাইনীং চৎপা মুসলমানশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

ষ্টেট প্রসিদেন্টনা পীবা পাউজেলদা হায়, ইস্লাম লাইনীংগী অশেংবা কখোকপগী নুমিৎ অসিদা লাইনীং অসি চৎপা মীওইশিংনা মাগী মাগী ওইজবা থাদোক্তুনা মপু অল্লাহগী মফমদা কখোক্লিবা অসিমক্কা ইরমদম মণিপুরদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ খূদিংমক্কা অপূনবগী ৱাখলদা শক-চু খেন্নবগী ৱাখল্লোন থাদোক-মিন্নদুনা চাউখৎপা মণিপুর অমা ওইরসনু।

## মরৈপাক নীংবা কোইরেংস্না উৎকনি

ইম্ফাল, আগষ্ট ১০ (এস এন এস )ঃ

ইরৈপাক ইরমদমগী মনিং তম্বা ঙাক্লবগীদমক থৱায়না পোম্বা ওইখ্রবা অথৌবা ইপা ইপুশিংগী মথৌনা মরিংজেন ইকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা 'মরৈপাক নীংবা কোইরেংস্না' হায়না মিংথোনবা শুমাঙ লীলা মীয়ামদা খুদোল তমগনি হায়না মণিপুর ষ্টেট শুমাঙ লীলা কাউন্সিলগী সেক্রেটরী এসঐচ হেমন্তনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালগী হপ্তা কাংজেবুংদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙলেন্দা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা এস ঐচ হেমন্তনা হায়, থা অসিগী ১৩ লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা অথৌব-শিংগী নুমিৎ থৌরম নুংথিল পুং ১ তাবদা ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙলেন্দা পাঙথোক্কনি অদুগা মখা তানা নুংথিল পুং ২ দগী মরৈবাক নীংবা কোইরেংস্না হায়না মিংথোনবা শুমাঙ লীলা খুদোল তমগনি।

শুমাঙ লীলাগী তোঙান তোঙানবা কাঙলূপ কয়াদগী শক্লাইরবা আর্টিষ্ট কয়া পূনশিন্দুনা অখন্নবা নুমিৎ অসিগী অখন্নবা খুদোল তমগদৌরিবা অসিগীদমক এন্ট্রি ফি লৌরোই। শুমাঙ লীলাবু নুংশিবিবশিংনা শঙলেন অসিদা লাক্তুনা লেম্না টিকেট লৌবিরবা য়াগনি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা শরুক য়াখিবা নব ৱারেপ্পা পদ্মশ্রীনা হায়, লমদম অসিগী ইতিহাসকী মায়োল শেন্নকপা মতমদা অখণ্ড অহৈ য়াম্বনা লান্না-লান্না পুখিদুনা অরুবা ঈচেল অমবু অমোৎপা ঈচেলদা তিনখিবসু থেংনদবা নত্তে। মরম অসিনা শুমাঙ লীলা আর্টিষ্টশিংগী হৈথোই শিংথোইবশিং অদু লৌরগা মরৈপাক নীংবগী অচেৎপা ৱাখল্লোন মাঙখিদনবা ১৮৯১ গী মরৈবাক্কী-দমক লাম্বেংনখিবা অথৌবশিংগী থৌনা অদুবু ঙসিগী মীরোলনা নীংশিংদুনা লৈনবগীদমক থৌরাং অসি তৌবনি।

মরৈবাক নীংবা কোইরেংস্না হায়না মিংথোনবা শুমাঙ লীলা অসি পি ঐচ গুনচন্দ্র শর্ম্মনা ইবনি অদুগা নব ৱারেপ্পনা লমজিং লমতাকপনি। লীলা অসিদা মরু ওইনা শক্তম লাংগদবশিংগী মনুংদা সুর, নিলচন্দ্র, বিসেস হুইরেম, হেরামোতি, তোম্পোক, নরেস, এসঐচ হেমন্ত, ওকেন্দ্রো, দয়ানন্দ, বোবি ৱাইখোম, লাই ইবোতোম্বী, লাইশ্রম তোম্বনচিংবা কয়া য়াওরি।

## সি পি আই ৱাংখৈ লোকেল কনফরেন্স পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ১০ (এস এন এস )ঃ

সি পি আই ৱাংখৈ লোকেল কাউন্সিলগী ২৬ শুবা লোকেল কনফরেন্স ঙসি খুরাই সোইবম লৈকাই ৱাংখৈ খুনৌদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা ডা. এম নরা সিংহ, দি এম কলেজ ওফ সাইন্সকী প্রিন্সিপাল ওইরম্বা জি তোম্বা শর্ম্মা, ষ্টেট সেক্রেটরী এল সোতিনকুমার, ইম্ফাল সিটি দিষ্ট্রিক্টকী সেক্রেটরী এস য়াইমা অমদি অতৈ লুচিংবশিং এস মঙলেম, ৱাই ইন্দিরা দেবী, টিঐচ য়াইস্কুলনচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

কনফরেন্স অদুনা লৈবাক অসিগী ওইরিবা রাজনিতিগী ফিভম, লমদম অসিদা সি পি আই ওর্গনাইজেসনগী ফিভম অমদি অতৈ মীয়ামগী ইসু কয়া খন্ন-নৈনখি। মখা তানা লোকেল কাউন্সিল অসিগী মথং টার্মগী থৌ পুগদবশিংসু খনখ্রে। মখোয়শিং অদুদি লোংজম অরুনকুমার মৈতে সেক্রেটরী, ৱাহেংবম রাজমনি অমদি থোকচোম রাজেন অনীমক এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী অমসুং জি তোম্বা শর্ম্মা ট্রেজররনি হায়রি।

## মোরেদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে




মোরে, আগষ্ট ১০ (এস এন এস )ঃ

ইম্ফালগী কাঞ্চিপুরদা লৈবা ষ্টেন্দর্দ রোবার্ট হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয় বেবিস্না চনু য়াম্না চিংননিঙাই ওইবা মওংদা শিদুনা লৈরম্বগী থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা বোর্দর টাউন মোরেদা তোঙান তোঙানবা সি এস ও, মৈরা পায়বী অমসুং মহৈরোয়শিং খূৎশম্নদুনা ঙসি ৱাকৎ মীফম ফম্বগা লোয়ননা রেল্লি চৎখ্রে।

মীতৈ কাউন্সিল মোরে, খা নোংপোক অপূনবা নুপী লূপ, নুপী খুন্নাই চাউখৎ লমজিং লূপ, মাইনোরিটি মুস্লিম দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন, এম সি এমগী য়ুথ ৱিং লিংজেল গ্রুপ, ইষ্টর্ন সাইন স্কুলগী মহৈরোয়শিং অমদি ওর্গনাইজেসন কয়া খূৎশম্নদুনা ইষ্টর্ন সাইন স্কুল গ্রাউন্দদা ঙসি ৱাকৎ মীফম ফমদুনা থৌদোক অদুগী অচুম্বা লংলা লংজিন পুথোক্কদবনি হায়না দাবী তৌখি অমসুং মোরে টাউনগী অকোয়বা শীন-থুংনা মীয়ামগী রেল্লিসু চৎখি।

খোঙচৎ অদুদা বেবিস্নাগী মীশি য়ানিংদে, অথুবদা লংলা লংজিন পুথোকপিয়ু, মরাল লৈবশিং মতিক চাবা দন্দি পীয়ু, লৈখিদ্রবিগী ইমুংদা ওৎ-নৈবা তৌরিবসি লেপ্পিয়ু লোয়ননা ঙরাং মণিপুর গভর্ণমেন্টনা চথখিব থৌওং য়ানিংদে হায়বা খোল্লাও কয়া লাউখি হায়রি।

## ফোটো জর্নেলিষ্ট সন্টোস লৈখিদবদা সি এমনা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, আগষ্ট ১০ (এস এন এস )ঃ

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা ৱাংখৈ মৈহৌবম লম্পাক্তা লৈবা সেনিয়ার ফোটো জর্নেলিষ্ট ফাঞ্জৌবম সন্তোসনা ঙরাং খঙহৌদনা লৈখিদবদা চীফ মিনিষ্টর য়াওনা তোঙানবা মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

ফাঞ্জৌবম সন্তোসনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহনা অৱাবা অমসুং নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না তৌরম্বা থবক কয়া নৌহৌননা নীংশিংদুনা শীংথাখি। লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

মণিপুর হিল জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন্নসু অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না জেনরেল সেক্রেটরী এস নেমখনলূননা থাদোরকপা চেরোলনা হায়রি।

ওল জিরিবাম ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন্নসু অৱাবা ফোঙদোক্লদুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈশ্বরগী নাক্তা ইংনা চিক্না শান্তি লৈনা লৈবা ওইরসনু হায়না থৌনিজখি। লৈখিদ্রবা সন্তোসনা জিরিবাম য়াওনা মফম কয়াদা মহাক্কী ফোটো এগজিবিসন পাঙথোক্তুননা ফোটো জর্নেলিজমগী লমদা অচৌবা ইনোৎ পীবিরম্মী হায়রদুনা মহাক্না লৈখিদবা অসি লম অসিদা মেনখৎপা ঙম্নরোইদবা অৱাবা অমদি লৈরৌরগনি হায়রি।

খেলেন থোকচোম ট্রষ্টনসু ফাঞ্জৌবম সন্তোসনা লৈখিদবদা অৱাবা অমসুং নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে।

## সিঐচ তেংনৌপলদা মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে

মোরে, আগষ্ট ১০ (এস এন এস )ঃ

ওল কম্যুনিটি দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন মোরে (একোদোম)না অরাপ্পা মফমশিংদা লেম্না লায়েংবগী থবক চখরকপগী মনুং চন্না ঙসি ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈদা লৈবা সিঐচ তেংনৌপল ভিল্লেজদা লেম্না লায়েংবগী কেম্প পাঙথোকখ্রে।

মোরেদগী কিলোমিটর ২০ লোম চীংগী লম্বীদা চঙশিল্লগা লৈবা লম্বী থোং ফত্তবা মফম অদু য়ৌনবা হোৎনবদা মতম য়াম্না চঙখি। একোদোমগী ভাইস প্রসিদেন্ট টিঐচ বুধ মৈতে, জেনরেল সেক্রেটরী আর কে লোকেন্দ্রো য়াওনা মোরে হোস্পিটাল অমদি পি ঐচ সি মোরেগী ডাক্তরশিংগা লোয়ননা চখখিবা কেম্প অদুদা হিদাক লাংথক কয়াসু লেম্না য়েম্বোকখি। কেম্প অদুগী মনুং চন্না মীওই কয়াদা মেলেরিয়াগী টেষ্ট তৌখি। ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টনা ভিল্লেজ অদুদা লৈবা হুই, ওক য়াওনা হিদাক কাপথোকখি হায়রি।

টিঐচ বুধনা ফোঙদোরকখিবদি মীপুম খূদিংমক মশা মউ ফনা লৈবা অমদি নুংশি চান্ননা লৈবগী পান্দমদা কেলেন্দর প্রোগ্রাম ওইনা কেম্প অসি পাঙথোকপনি। অনা লায়েংগী খুদোংচাবা লৈতবা খুঞ্জাশিংদা লেম্না লায়েংবগা লোয়ননা হিদাক লাংথকসু লেম্না ফংহনখি অমদি হেলথ মিনিষ্টর অমসুং হেলথ দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টরনা মপুং ফানা কোওপরেসন পীবিবগীদমক থাগৎপসু ফোঙদোকখি।

## অথৌবশিংগী খোঙ্গুল লীবা

ইম্ফাল, আগষ্ট ১০ (এস এন এস )ঃ

মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি ইম্ফালনা শীন্দুনা অথৌবশিংগী খোঙ্গুল লীবা থৌরম থা অসিগী ১৩ লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুংথিল পুং ১ তাবদা ইম্ফালগী ওল্ড এসেমব্লি রোদতা লৈবা মণিপুর হিন্দী পরিষদকী হোলদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা জেলিয়াংরোং নাগা আর্টস এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট ললজিকপৌ গোলমৈ, পৱার দিপার্টমেন্টকী ফাইনান্সিয়েল এদভাইজর ওইরম্বা নোংজাইময়ুম রিয়াজ অহম্মদ সহা অমসুং মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট এসঐচ প্রহলাদ শর্ম্মনা পূন্না থৌরম মপু ওইগনি হায়রি।

## অফস্পা -মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবা লোনি হায়বসিদা ওপন দিবেট কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে

থৌবাল, আগষ্ট ১০ (এস এন এস )ঃ

মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) না শীন্দুনা অফস্পা ১৯৫৮ অসি মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবা লোনি হায়বা মোসনদা অথৌবা পেবম চিত্তরঞ্জন মঙাং মেমোরিয়েল ওপন দিবেট কম্পিটিসন ২০১৯ ঙসি থৌবাল ওক্রমদা লৈবা ৱাইখোম মনি গার্লস কলেজগী সেমিনার হোলদা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর কলেজ ইম্ফালগী প্রিন্সিপাল ওইরম্বা অমসুং সেনিয়ার সিটিজেন্স ফোর সোসাইটি মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরী প্রো. এল সদানন্দনা স্পিকর ওইদুনা চখখিবা দিবেট অদুদা এম য়ুগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার ডা. চিংলেন মৈস্নাম, এম য়ু লো দিপার্টমেন্টকী গেষ্ট ফেকল্টি ডা. সাপম দিল্লিপ অমসুং ইম্ফাল কলেজ ইম্ফালগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইংলিসকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার ডা. পি সঞ্জিবনা জুরি মেম্বরওইনা শরুক য়াখি।

এম এস এফ প্রসিদেন্ট ঙাইরাংবম মিলন্না ফোঙদোকখিবদি মহৈরোয়শিংনা অফস্পা ১৯৫৮ হায়বসি করিনো, এক্ট অসি লমদম অসিদা করম্না চল্লাইরি, এক্ট অসি লমদম অসিদা চৎনফম থোক্লিব্রা অমদি মখা তানা থমদনবা লৌথোকখিগদ্রা হায়বনচিংবা মমুৎ তানা খঙমিন্ননবগীদমক দিবেট অসি শীনবনি।

অমুবা লোনি হায়রিবা অফস্পাগী মায়োক্তা অমদি মণিপুরদগী লৌথোকখিনবগী খোঙজংদা করিগীদমক অথৌবা পেবম চিত্তরঞ্জনা মশা মতোমতা মৈ থাদুনা খোঙজং চঙশিনখিবনো হায়বগী মতাংদসু মীয়ামদা খঙহনখি।

দিবেট কম্পিটিসন অদুদা মণিপুরগী স্কুল কলেজ অমসুং য়ুনিভর্সিটিদগী পূন্না দিবেটর ৩০ না শরুক য়াখি।

## কংলাদা উ চারা থাগনি

ইম্ফাল, আগষ্ট ১০ (এস এন এস )ঃ

রাষ্ট্রিয়া স্বায়মসেবক সঙ্ঘ (আর এস এস) ইম্ফাল জিলানা শীন্দুনা অথৌবশিংগী নুমিৎ থৌরম লময়ানবা শঙলেন্দা পাঙথোকপগা মরী লৈননা থা অসিগী ১২ নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৮ দা ইম্ফালগী কংলাদা উ চারা থাগনি অদুগা থা অসিগী ১৮ নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ৮ দনা ব্লদ দোনেসন কেম্প নাগামপাল ইম্ফালদা লৈবা সেবা ভার্টিদা পাঙথোক্কনি হায়না মেদিয়া ইন-চার্জ এস নোংপোকঙানবা মৈতৈনা ফোঙদোরক্লি।

## মরাল লৈবশিং চৈরাক পীদুনা মহৈরোয়শিং মহৈ মশিল তম্বা ফংহল্লু ঃ এ আই এস এফ

ইম্ফাল, আগষ্ট ১০ (এস এন এস )ঃ

মহৈরোয় বেবিস্না মীশিগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা চপ চাবা এক্সন লৌখৎহৌদবদগী ঙসিদি অকনবা নোংলৈগুম শাহুম কন্না মীয়ামগী ইহৌ শন্দোকখ্রে। মীয়ামগী অপাম্বা পীবগী মহুত্তা নাথৈবা মানবা ৱাফম কয়া পাউখুম পীদুনা লৈবনদি অমুক্কা হেন্না খোইরাং খোইশাওনহল্লগনি হায়না লৌই। মরম অদুনা মরাল লৈবশিং দন্দি পীদুনা মহৈরোয়শিং মহৈ তম্বা ফংহল্লু হায়না ওল ইন্দিয়া ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এ আই এস এফ)মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা গভর্ণমেন্ট অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিগী পূক্নিং চিংশিল্লি।

এ আই এস এফ ষ্টেট সেক্রেটরী নাওরেম রবিদাস সিংহনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ষ্টেন্দর্দ রোবার্ট হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা তম্বা মহৈরোয় খূদিংমক ৱাথোক অসিনা মরম ওইদুনা মহৈ তম্বা ফংদনা লৈরক্লি। মখোয়বু মহৈ মশিন তম্বা ফংহন্নবা গভর্ণমেন্টনা অথুবদা থৌশিল অমা শেমদুনা পুথোক্কদবনি, প্রাইভেট স্কুলশিং পংলিদা লিংখৎপসি কন্ট্রোলতৌগদবনি, কম্পনি নৎত্রগা ফেক্টরিগী মওংদা প্রাইভেট স্কুল হাংদুনা লল্লোনবগুম উরিবা অসিসু মীৎয়েং চঙগদবনি।

অমরোমদা হোষ্টেল চল্লাইবগী নিটি নিয়ম চৎন-কাঙলোন থম্নবা হোৎনরক্লিবা অসিদি থাগৎনিঙাই ওই হায়রদুনা প্রাইভেট স্কুলশিংগী ট্যুসন ফিগী চাং, ওৱাশিংগী তলব অসিসু গভর্ণমেন্টনা লেপকন্দবনি, সাইন্টিফিক এদুকেসনগী থাক্তা পুখৎনবা হোৎনগদবনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা জম্মু এন্দ কাস্মিরবু য়ুনিয়ন টেরিটোরি ২ খায়দোক্লগা থাক হন্থহনবা অমদি স্পিসিয়েল ষ্টেটস পীরম্বদু লৌথোকখিবসি য়ানিংদে, কাস্মির মীয়ামগী অৱাবদা শরুক য়ারুনবা চৎখিবা ফেদরেসনগী হন্না থৌ পুরম্বা দি রাজানচিংবা কয়া ফাজিনখিবগী থৌওংবুসু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই।

## ঈশিং থাবা য়াদ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ১০ (এস এন এস )ঃ

কোইরেঙ্গে ৱাটর সপ্লাই প্লান্টগী ঈশিং পুরিবা পাইপ নেস্নেল হায়ৱেগী নাক য়েত্তা দ্রেইন চনবগী লৈপাক কোৎপদা য়াওখিবদগী ঈশিং থাবা য়াদ্রে। পি ঐচ ই দিগী এসিষ্টেন্ট ইঞ্জিনিয়ার এ বোরুন সিংহনা থোকপা চেরোলনা হায়, পাইপ কোখোকখিবা অসিনা মরম ওইরগা প্লান্ট অসিনা ঈশিং পীরিবা মফমশিং হায় কোর্ট ওফ মণিপুর, আই আই আই টি, মন্ত্রিপুখ্রি অমদি লম্লোংগৈ এরিয়াদা মতম খরগী ওইনা ঈশিং পীবা ঙমখিরোই। পাইপশিং অসি শেমজিনবদা মতম খরা চঙখিগনি হায়রি।

## সঙাই ফেষ্টিভেলগী সব কম্মিটিশিং শেমখ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ১০ (এস এন এস )ঃ

লাক্লিবা নভেম্বর ২৪ দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেল ২০১৯ গীদমক তোঙান তোঙানবা সব কম্মিটিশিং শেমখ্রে। মসিগী মতাংদা গভর্ণরগী মিংদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী কম্মিস্নার (টুরিজম) নিধি কেসরৱান্না হৌখিবা জুলাই ৩০ দা ওর্দর অমমম থোকখ্রে।

কলচর সব কম্মিটিগী চিয়ারমেন্না মণিপুর গভর্ণমেন্টকী সেক্রেটরী (আর্ট এন্দ কলচর) অদুগা কনভেনরনা দাইরেক্টর আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টনা ওইগনি। অতৈ মেম্বরশিংদি দাইরেক্টর টুরিজম, দাইরেক্টর ট্রাইবেল এফিয়ার্স এন্দ হিলস, জোইন্ট সেক্রেটরী (টুরিজম) অমসুং জে এন মণিপুর দান্স একাদেমিগী দাইরেক্টরনি।

সব কম্মিটি অসিনা টুরিজম দিপার্টমেন্টকা তান্নরগা সঙাই ফেষ্টিভেলগী কলচরেল প্রজেন্টেসন তৌগবশিং লেপকনি হায়রি।

ইন্দিজেনস গেম/এদভেঞ্চর স্পোর্টস সব কম্মিটিগীনা সেক্রেটরী (য়াস)না চিয়ারমেন অদুগা দাইরেক্টর (য়াস) না কনভেনর ওইগনি। অদুগা এম ঐচ আর দি এগী প্রসিদেন্ট, এম এম টি এগী প্রসিদেন্ট, এম দি এগী মেনেজিং দিরেক্টর অমদি দিপ্যুটি দিরেক্টর টুরিজমনা মেম্বর ওইগনি।

অতোপ্পা গিফ্ট সব কম্মিটিসু প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী (জি এ দি)না চিয়ারমেন অদুগা কম্মিস্নার (টুরিজম)না কনভেনর ওইদুনা শেমখ্রে। সব কম্মিটি অসিগী মেম্বরশিংদি দাইরেক্টর টুরিজম অমসুং দাইরেক্টর আর্ট এন্দ কলচরনি হায়রি।

## অৱাবা ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ১০ (এস এন এস )ঃ

কমরেদ নাওরোইবম পুন্সি (প্রমেশ্বর) না হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা লৈখিদবদা সি পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা অৱাবা অমসুং নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে। পার্টিগী নেস্নেল এগজিক্যুটিভ মেম্বর ডা. এম নরা সিংহ, ষ্টেট সেক্রেটরী এল সোতিনকুমার, ষ্টেট সেক্রেটরিয়েট মেম্বর এ লালা অমদি আর কে অমুস্নানচিংবা কয়া য়াওনা পাঙথোকখিবা মীফম্না মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা অৱাবা অমসুং নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি হায়রি।

## ইন্টরনেস্নেল য়ুথ দে পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, আগষ্ট ১০ (এস এন এস )ঃ

মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি)না শীন্দুনা ইন্টরনেস্নেল য়ুথ দেগী থৌরম থা অসিগী ১২ লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৯.৩০ দা ইম্ফালগী জি এম হোলদা পাঙথোক্কনি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা অনীশুবা সেসন নুংথিল পুং ১২.৩০ তাবদা সেমিনার অমা পাঙথোক্কনি। সেমিনার অদুদা এম য়ুগী এন্থ্রোপোলোজি দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসার ওইরম্বা দব্লিউ নবকুমার সিংহ, দি এম কলেজ ওফ সাইন্সকী মেথমেটিক্স দিপার্টমেন্টকী হেদ ওইরম্বা ডা. জয়েন্তকুমার, এম য়ুগী মিমস দিরেক্টর ডা. সিঐচ ইবোহল মৈতে, এসোসিয়েট প্রোফেসার ডা. চিংলেন মৈস্নাম, হ্যুমেন রাইট লো নেটৱার্ককী এদভোকেট থোকচোম প্রেমলতা, সনালৈবাক পাউচেগী এদিটর এন হেমন্ত অমদি ইগ্নৌ রিজনেল কেম্পস মণিপুরগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার ডা. হোমেন থাংজমনা তোঙান তোঙানবা হিরমদা ৱা ঙাংদুনা নৈনগনি হায়রি।

## ঙসিগী রাষি ফল (১১-০৮-২০১৯)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** হকচাং ৱাখল ফগৎলগনি। ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিবা মতম্নি। লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। অরুবা পাঙথোক্লগনি। নক্ষত্র ১,২,৩ অফবনি।

**বৃষঃ** অশোক অপন থেংনবা, কোক শাবা, শাওনবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। লম চৎপা চেকশিল্লু, পাঙথোক্লিংবদি পাঙথোক্লগনি। মত খেন্নরগনি। নক্ষত্র ৩ ফগনি, ৪ ফত্তে, ৫ ফগনি।

**মিথুনঃ** খৎনবা, শাওনবা, মুক্নবা থেংনরগনি। লম চৎপা, মী তিন্নবদি হৈ শিংবা তাবনি। খুদোংচাবা ৱাৎলগনি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৫ ফগনি, ৬ ফত্তে, ৭ ফগনি।

**কর্কটঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, অরুবা পাঙথোকপা, অচৌবশিংনা নুংশিবিরগনি। ইমুংদা ইংনা লৈরগনি। নক্ষত্র ৭,৮,৯ অফবনি।

**সিংহঃ** চাউখৎপা ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নবা ফংবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১০, ১১,১২ অফবনি।

**কন্যাঃ** খল্লুদবা, পামদবা মায়োক্নবা, শেল চৎপা, ৱাখল ফকচিনবা মতম্নি। চেকশিল্লবদি থৌরম খরদি পাঙথোক্লগনি। লম চৎপা চেকশিল্লু। য়েক্নবা চাউখৎলি। নক্ষত্র ১২ ফগনি, ১৩ ফত্তে, ১৪ খরা ফগনি।

**তুলাঃ** ৱাখল লাংবা, হকচাং চাং অমদা লৈবা, শেল ফংবা, চৎপা মতম্নি। পাঙথোক্লিংবদি পাঙথোক্লগনি। লম চৎপা চেকশিল্লু। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৪ ফগনি, ১৫ ফত্তে, ১৬ খরা ফগনি।

**বৃশ্চিকঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, অরুবা পাঙথোকপা, লম চৎপা মী তিন্নবা কান্নবা ফংবা পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবনা চানবিবা, শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ১৬,১৭,১৮ অফবনি।

**ধনুঃ** অরুবা পাঙথোকপা, হকচাং ৱাখল ফগৎপা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, অচৌবশিংনা নুংশিবিবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ১৯, ২০, ২১ অফবনি।

**মকরঃ** অশোক অপন থেংনবা, খৎনবা মতম্নি। তোখাই তারগনি। পাঙথোক্লিংবদি পাঙথোক্লগনি। লম চৎপা চেকশিল্লু। ইমুংদা মত চান্নদে। নক্ষত্র ২১ ফগনি, ২২ হেন্না ফত্তে, ২৩ ফগনি।

**কুম্ভঃ** খৎননিংবা, শাওনবা মতম্নি। শেল চৎপা, ৱাখল লাঙবা মতম্নি। অচৌবনা চানবিরগনি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ২৩ ফগনি, ২৪ ফত্তে, ২৫ খরা ফগনি।

**মীনঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, চাউখৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। অচৌবনা চানবিরগনি। নক্ষত্র ২৫,২৬,২৭ অফবনি।







